**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 29-08-2026)**

**ডে (এল)ঃ** লৈবাক্কী অতৈ মফমশিংদা পাঙথোকবগুম মনিপুরদা ঙসি জাতিগী শান্ন খোৎনবগী নুমিৎ ঙসি পাঙথোক্লি।

লৈবাক অসিগী শকাইরবা হোকি শান্নরোই-মেজর ধ্যানচান্দগী মপোক নুমিৎপু নীংশিংদুনা জাতিগী শান্ন খোৎনবগী নুমিৎ চহি খুদিংগী পাঙথোক্তুনা লাক্লি।

রাজ্য অসিগী মহৈ তম্ফমশঙ অমদি শান্ন খোৎনবগা মরী লৈনবা মফম খুদিংমক্তা নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা শান্ন খোৎনবগী তোঙান তোঙানবা থৌরমশিং শিল্লি। লমশাং লমজেল পাঙথোকপা অমদি মখল খুদিংমক্কী শান্ন খোৎনবগী থৌরমশিং পাঙথোকপনা নুমিৎ অসিগী মপুং ওইবা শক্তম ওইরি।

ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক সাই এস.টি.সিদা নুমিৎ হুমনি চুপা পাঙথোকপা শান্ন খোৎনবগী নুমিৎ ঙরাংদগী হৌখ্রে।

**জদোনং(এল)ঃ** ফ্রিদম ফাইটর হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী ৯৫ শুবা পালন থৌরম ঙসি রাজ্য অসিগী জেলিয়াংরোংনা নমা তাবা মফমশিংদা পাঙথোক্লি।

পালন থৌরম অসি মহাক্কী পোকফম লমদম ওইরিবা নোনে জিলাগী মনুং চনবা কম্বীরোল খুলদা হাইপৌ জাদোনং মেমোরিএল ত্রষ্ট কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোক্কনি। থৌরম অসিদা লৈখিদ্রবা হাইপৌ জাদোনংগী মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

ইম্ফালগী কৈশাম্পাৎতা লৈবা হাইপৌ জাদোনং পার্কতসু হাইপৌ জাদোনং দেদ এনিভরসরি এন্দ পার্ক কমিতিনা শিনদুনা পাঙথোক্লি। থৌরম অদুদা এম.এল.এ. আর.কে. ইমোনা লুচিংদুনা মীয়ামা হাইপৌ জাদোনংগী মফমদা লৈ শু কৎতুনা ইকায় খুমবা উৎকনি।

**মৈ (এল)ঃ** থারতি থ্রি বাই এলভেন কে.ভি. পৱার হাউসতগী লাকপা এলভেন কে.ভি. সেক্রেটরিয়েট ফিদরনা কোনবা অকাশবানি ইম্ফাল, এম.এস.এফ.দি.এস, পেলেস কম্পাউন্দ, থঙ্গাপাৎ এরিয়া অমসুং মহাবালি কবুই খুলগী এরিয়াদা ঙসি অয়ুক্কী পুং ৯ দগী নুমিদাংৱাইরম পুং তরুক ফাওবা মৈ পীবা লেপকনি হায়না এম.এস.পি.দি.সি.এলগী চেরোল অমনা হায়রি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিগী নুমিৎ নিনিগী উজবেকিস্থান খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি।

খোঙচৎ অসিদা প্রধান মন্ত্রিনা উজবেকিস্তানগী রাস্ত্রপতি-সাবকাট মিরজিয়োয়েবকা পুন্না তোঙান তোঙানবা লমশিংদা লৈবাক অনিনা পীন্নরিবা তেংবাং কয়াগী মতাংদা হন্না য়েংশিনগনি। ভারত অমসুং উজবেকিস্থান লৈবাক অনিগী মরক্তা য়ামা ঙল্লিঙৈ মতমদগী হৌনা অফবা মরী থমদুনা লাক্লি।

উজবেকিস্থাননা নীংখা তম্বা লৈবাক অমা ওইরকপদা লৈবাক অসিবু শকখঙবা উৎপা খ্বাইদগী হানবা লৈবাকশিংগী মরক্তা ভারতসু অমনি। ইং ২০১১ দা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈরিবা মরী অসি ষ্ট্রেটেজিক পার্টনরসিপকী থাক্তা পুখৎখিবা লৈখ্রবনি।

প্রধান মন্ত্রিগী খোঙচৎ অসিনা লৈবাক অনিগী মরক্তা লৈনরিবা মরী হেন্না চেৎশিলহনবগা লোয়ননা লম কয়াদা তেংবাং পীনবদা অচৌবা মতেং ওইরগনি।

**ভিজিটঃ** উপ রাস্ত্রপতি-সি.পি. রাধাকৃষ্ণনগী নুমিৎ হুমনিগী তামিল নাদু, করনাতক্কা, কেরলম অমসুং লক্সদ্বিপ খোঙচৎ ঙসিদগী হৌরগনি। খোঙচৎ অসিদা উপ রাস্ত্রপতিনা এদুকেসন, পব্লিক সার্ভিস, কলচরেল হেরিটেজ য়াওনা তোঙান তোঙানবা হীরম কয়াগা মরী লৈনবা থৌরমশিংদা শরুক য়াগনি।

উপ রাস্ত্রপতিনা ঙসি তামিল নাদুগী ইরোদেদা লৈবা কোংঙু ভেলালার

ইন্সটিট্যুট ওফ টেকোলোজিগী ফাউন্দেসন ডে থৌমরদা শরুক য়াগনি। তুংদা, উপ রাস্ত্রপতিনা বেঙ্গলুরুদা চৎতুনা ভিধানা সৌধাদা পাঙথোক্কদবা করনাতক্কাগী হান্নগী মুখ্য মন্ত্রি-রাধাকৃষ্ণনা হেন্দসকী সেন্টিনারি সেলেব্রেসনদা শরুক য়াগনি।

হয়েং উপ রাস্ত্রপতিনা কেরলাদা চৎতুনা কেরলা কামুদিগী ১১৫ রক শুবা এনিভরসরিগী থৌরমদা শরুক য়াগনি। তুংদা, তিরুবন্তপুরমদা চৎতুনা কেরলমগী য়ামা মরুওইবা নাৎকী কুম্মৈ ওইরিবা ওনাম পেজেন্ট্রি হৌদোক্কনি। খোঙচৎ অসিগী অরোইবা নিংথৌকাবা নুমিৎতা উপ রাস্ত্রপতিনা লক্সদ্বিপকী অগাতিদা চৎকনি। মফম অসিদা মহাকা ফিসরিজ, এনি্যমেল হসবেন্দরি এন্দ দাইরিয়িং মন্ত্রালয়না শিনবা আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমদা শরুক য়াগনি।

**বেঙ্গোলঃ** নোংচু বেঙ্গোলগী মালদা কলেজ এন্দ হোস্পিতালদা থা অসিদা পোকপদা ঙায়রিবা অঙাং পুন্না ৬০ লৈখিদবগা মরী লৈননা নেসনেল হ্যুমেন রাইটস কম্মিসননা নোংচুপ বেঙ্গোলগী চীফ সেক্রেটরিদা নোটিশ থাখ্রে।

মেদিয়া রিপোর্ট অমদা সু মুটো কোগনিজেন্স লৌখৎলদুনা কম্মিসন অসিনা হীরম অসিগী মতাংদা মরিক চুম্বা ৱাফম পীখৎলকবা চয়োল অনিগী মতম থাখ্রে। কম্মিসন অসিনা হায়-হায়রিবা মেদিয়া রিপোর্ট অসিনা অচুম্বা ওইবা তারগদি মীওইবগী হক খোঙ্গাউনবগী অচৌবা ইশু অমনি। মেদিয়া রিপোর্ট অদুদা হায়-অপুনবা অঙাং ৬০ গী মনুংদা ৪৪ অমদি হকচাংগী ফিভম কা হেন্না শোকচিল্লবা তুংদা অতোপ্পা হোস্পিতালশিংদা পুখি।

**মনকিবাট ঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগী পুকিংগী ৱা, মনকি বাটকী ১৩৭ শুবা ইপিসোদ হয়েং নোংমাইজিং নুমিৎকী অযুক পুং ১১ দা অকাশবানিগী থোঙদা শন্দোক্কনি।

থৌরম অসি এ.আই.আর ন্যুজ, দি.দি. ন্যুজ, পি.এম.ও. অমসুং ইনর্ফোমেসন এন্দ ব্রোদকাষ্টিং মন্ত্রালয়গী য়ু-ট্যুব চেন্নেলশিংদসু লাইফ ষ্ট্রিমিং

তৌদুনা শন্দোক্কনি। থৌরম অসি এল.আর.এস চুরাচান্দপুরদসু শন্দোক্কনি। মসিগী মণিপুরী ৱাহন্থোক প্রধান মন্ত্রিনা ৱা ঙাংবা হেক লোইবগা অকাশবানি ইম্ফালনা শন্দোক্কনি। মসি নুমিৎ অসিমক্কী নুমিদাং পুং ৮ দসু অমুক হন্না শন্দোক্কনি। দাইলেক লোলশিংদনা মথংগী নুমিৎতা শন্দোক্কনি।

**নেপালঃ** নেপালদা থোকখিবা ঈশিং ঈচাউদা শিবা মীগী মশিং ৫৭৯ শুখ্রে। হৌজিক ফাওবদা নেপাল অমসুং তিবেৎকী লোন্নবা ঙমখৈ মনাক্তা মীওই লিশিং অনি থিবা খঙদনা লৈরি।

মপান থৌরম মন্ত্রালয়না হায়রি-থৌদোক অসিদা হৌজিক ফাওবদা ভারত মচা ৩২০ থিবা খঙদনা লৈরি। ন্যু দিল্লিদা ঙরাং পাউমীশিংদা ৱাফমশিং অসি ফোংদোক্লদুনা মন্ত্রালয়গী ৱাঙাংলোই-রনধির জেসৱালনা হায়-ঈচাওনা শোকহল্লবা জগা অমা ওইরিবা ত্রিসুলি-ৱান হাইদ্রো পৱার প্রোজেক্টতা থবক য়াওবা ভারত মচা ৬৩ কনবা ঙমলে। মহাকা হায়-চাইনারোমদা চাইথোক্তুনা লৈরম্বা ভারত মচা ৯২ সু তেক্ত-কায়দনা নেপাল য়ৌরকখ্রে অমসুং মখোয়বু অশোয় অঙাম য়াওদনা লৌথোকবা থবক লৌখৎপা হৌরে।

নেপালগী কাঠমন্দুদা লাকখিবা তামিল নাদুদগী ভারত মচা ২১ সু তেক্ত-কায়দনা ঙরাং নুংথিল দিল্লি য়ৌরকখ্রে। শ্রী জেসৱালনা হায়-নেপালনা হায়রকপগী মতুং ইন্না তর্নেল রেস্ক্যু টিম অমা থানবা শেম শাবা লোয়রে। মফম অদুগী খুদক্কী দরকার লৈবশিং মতেং পাংনবা অনা লায়েংগী তিম অমগা লোয়ননা মীহুৎ কাংবু খরা থাখ্রে। মহাকা হায়-নেপালনা দরকার লৈরবা হীরম খুদিংমক ভারতনা মতেং পাংনবা সরকারনা হোৎনরি।

মরক অসিদা, তঙাইফদনা চংদ্রবা য়াদ্রবা পোৎলম টোন ১০ রোম পুবা অহুমশুবা ফ্লাইট ঙরাং কাঠমন্দুগীদমক ভারত থাদোকখ্রে।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

রাজ্যগী মন্ত্রি-মন্দলগী ঙরাং পাঙথোকখিবা মীফমনা লৌখিবা তোঙান তোঙানবা ৱারেপশিং, জে.এফ.দিনা সেন্সস অমদি এন.আর.সিগা মরী লৈননা লাউথোকখিবা ফিরেপশিং য়াওনা তোঙান তোঙানবা পাউশিংনা ঙসি ফোংনরিবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা-ৱিমেন ইম্পৱারমেন্ট মনিপুর স্কিম থবক্তা ওন্থোকপদা য়ান্নখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পাউচে অসিগী ইংলিস এদিসনদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এন.আর.সি. তৌদ্রিবা ফাওবা সেন্সস পাঙথোক্তনবা এসেমব্লিদা ৱারেপ লৌগদবনিঃ জে.এফ.দি, আগষ্ট ৩১ গী অহিং নোংয়াইদগী পুং ২৪ গী জেনরেল ষ্ট্রাইক লাউথোকখ্রে হায়না পোকফম পাউচেদা অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসিগা মরী লৈননা এসেমব্লি মীফম মমাংদা সেন্সস য়েথোরক্কনি হায়না থাজে হায়বা সি.এস.ও. ১৪ গী ৱাফম সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনগী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-এম্বুস্যসতা লৈখিদ্রবা নাগা মরিগী অশিবা হকচাং সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট হোস্পিতালদা পুরকখ্রে হায়বা পাউ অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রাজ্য অসিদা হৌজিক শান্তি হনজিলহন্দুনা অমনা অমবু থাজবা লৈহন্নবা হোৎনবদা ঐখোয় খুদিংমক থৌদাং লৌমীন্নসি হায়না মুখ্য মন্ত্রি-যুমাম খেমচান্দনা ফোংদোকখিবা ৱাফম পিপলস ক্রোনিক অমসুং মনিপুর মেলগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ইং তপ্পা পুরকপা পামদবা মীওইশিং মশক খঙদোক্তুনা লোগী মতুং ইন্না চৈরাক পীবা তঙাইফদে হায়বা মুখ্য মন্ত্রিগী ৱাফম হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

এম.এল.এ. রঞ্জনগী য়ুমদা বোম লংশিল্লন্লে হায়বা পাউ সনা লৈবাক্কী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

য়ুনাইটেদ নাগা কাউন্সিলনা কৌখিবা পুং ১২ গী টোটেল সটদাউন্দনা তমেংলোং অমসুং নোনে জিলাগী মহৌশাগী পুন্সিদা চাউনা অকায়বা পীরে হায়বা পাউ গানফিয়ু মেল অমসুং তমেংলোং টাইমসতা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হাইপৌ জাদোনং লৈখিদবগী ৯৫ শুবা পালন থৌরম ঙসি নাগাশিংনা নমা খুন্দাবা মফমশিংদা পাঙথোক্লগনি হায়বা পাউ তমেংলোং টাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।